# কাস্মিরগী মফম ৩দা টেরোরিষ্টকা খূৎ থোক্নরি, পুলিসমেন ৩ শোকখ্রে

***শ্রীনগর, মার্চ ২১ঃ***

কাস্মিরগী তোঙান তোঙানবা মফম ৩দা টেরোরিষ্টশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নরি। ঙসি খূৎ থোক্নখিবশিং অদুদা পুলিসমেন ৩ অমসুং মীচম অমা শোক্লে হায়না ওথোরিটিজিনা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী সোপোর দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্টশিংগী গ্রেনেদ এটেকতা পুলিসমেন ৩ শোকখি। এটেক অসি সোপিয়ানদা লৈবা মশাগী য়ুমগী মপান্দা টেরোরিষ্টশিংনা স্পিসিয়েল পুলিস ওফিসার নুপী অমবু কাপ্পুনা হাৎখিবগী সুপ্নগী নুমিৎ খরনিগী মতূংদনি।

অৱাং থংবা কাস্মির দিষ্ট্রিক্টকী মেন চোক সোপোরদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টেরোরিষ্টশিং অদুনা গ্রেনেদ অমা লংশিলকখিবনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

সোপোরদা অহানবা খূৎ থোক্নখিবা অসিগী মতূংদা বান্দিপোরা অমসুং বরামুল্লা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু কোন্না খূৎ থোক্নবগী থৌদোক ২ থোকখি।



বান্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টকী হাজীন এরিয়াদা টেরোরিষ্ট লৈরে হায়বা ইন্টিল্লিজেন্সকী পাউ ফঙবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মফম অদুদা চৎতুনা কোইশিনখি অমসুং থিবা – হুম্বগী ওপরেসন অমা চথবা হৌরকপদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেরোরিষ্টশিং অদুদা মীর মুহল্লাদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিলকখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা নোংমৈ কাপশিলক্লিবা টেরোরিষ্টশিং অদুনা লোৎতুনা লৈরিবা য়ুম অদুগী মনূংদা মীচম ২ লৈ হায়বগী পাউ ফঙবদগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা চেকশিন্না ওপরেসন অদু চথখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

হাজীন হায়রিবা মফম অসি টেরোরিষ্টশিংগী খূৎতগী লিবরেট তৌরবা মফম অমনি হায়না খন্নরিবনি।

মমাঙগী নুমিদাংৱাইরমদা মমশিল্লকপদগী থিবা হুম্বগী ওপরেসন লেপখিবা অদু ঙসি অয়ুক সেক্যুরিটি ফোর্সনা অমুক চথবা হৌরকপদা বারামুল্লা দিষ্ট্রিক্টকী কান্দি এরিয়দা ৩শুবা খূৎ থোক্নবা অদু থোকখিবনি।

থিবা–হুম্বগী ওপরেসন অদু চথবা হৌরকপদা টেরোরিষ্টশিংনা সেক্যুরিটি ফোর্স তন্না নোংমৈ কাপশিলকপদগী কান্দি এরিয়াদা নাকন অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্নখি।

হৌজিক হৌজিক সোপোর টাউনগী ৱারপোরা এরিয়াদা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন অদু মখা তানা চথরি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

চেকশিন–থৌরাং লৌখৎপা ওইনা সোপোর টাউনদা ওথোরিটিজনা মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিস ককথৎখ্রে।

# সাউদি অরাবিয়াদগী ওন্ন–তৈনবা অশিবা হকচাং থুংলখিবদা ইমূং–মনূং থুক্কৎখ্রে

***থিরুবনন্থপুরম, মার্চ ২১ঃ***

হৌখিবা থাদা সাউদি অরাবিয়াদা হার্ট এটেকতা লৈখিদ্রবা মশাগী চহী ২৮ শুরবা রাফীককী মরীমতাশিংনা মহাক্কী হকচাংদু হাপ্পনি হায়বা কু অদু মখোয়না হাংদোক্লুবদা থুক্কৎপা অমসুং থম্মোই শোকপনা পীকথনখ্রে– কু অদুদা নুপী অমগী হকচাং ওইনা য়াওরম্লে।

কেরলাগী কোনূংদগী কিলোমিটর ৯০ রোম লাপ্পা কোন্নীদা কু অদু থুংলখিবদা ইমূং –মনূং অদুনা অঙকপা থৌদোক অদু থেঙনখিবনি।

কোন্নী পুলিস ষ্টেসন্দা এটেচ তৌবা পুলিস ওফিসার অমনা থৌদোক অদু অচুম্বমক্নি হায়না ফোঙদোকখি। সাউদি অরাবিয়াদা ফেব্রুৱারি ২৮দা লৈখিদবা রাফিককী হকচাং অদু ঙরাং নুমিদাং অথেঙবদা থুংলখি। ইমূং মনূংনা কু অদু থাংদোক্লুবদা শ্রীলঙ্কান অমা ওইগনি থাজবা নুপী অমগী হকচাং ওইনা য়াওরমখিবনি।

নুপী অদুগী হকচাং অদু কোট্টায়ম মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল মোর্চুৱারিদা পুরকখ্রে অমসুং মদু অমুক হন্না থাখ্রগনি হায়না অতোপ্পা পুলিস ওফিসার অমনা হায়খি।

# লূপা ক্রোর ২৩৫৫কী গ্রেনেদ লাক্ষ ১০ লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ***

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা আর্মিগীদমক মলটি–মোদেল হেন্দ গ্রেনেদ লাক্ষ ১০ শানবা ইন্দিয়ান প্রাইভেট কম্পেনি অমগী লূপা ক্রোর ৫৩০গী প্রোজেক্ট অমা য়াওনা ঙরাং লূপা ক্রোর ২,৩৫৫কী গ্রেনেদশিং লৈনবা অয়াবা পীখ্রে।

দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)না দিজাইন তৌবা গ্রেনেদশিং অদু শানবা কন্ট্রেক অদু নাগপুরদা লৈবা ইকোনোমিক এক্সপ্লোসিবস লিমিটেদকা থুনমক সহি তৌনরগনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ওর্দনান্স ফেক্টরি বোর্দ (ও এফ বি)না শাবা গ্রেনেদশিং দি জি কিয়ু এ টেষ্টশিংদা হন্না হন্না মায়থিবদগী প্রোজেক্ট অসি ২০১১দগী হৌনা চয়েৎনবা অমা লাকখিবনি।

দিজাইন, মেনুফেকচরিং অমসুং টেক্নোলোজি ট্রান্সফরগী মতাংদা দি আর দি ও অমসুং ও এফ বিগা হৌখিবা চহী ৬–৭ লোম মত খেন্নবা লৈরকখিবনি। মরম অদুনা হৌজিক গ্রেনেদশিং শাবগী হৈশিংবা উৎখ্রবা প্রাইভেট সেক্টর কম্পেনি অমনা কন্ট্রেক অদু ফংলগনি হায়রি।

# হোলি ফেষ্টিভেলদা শত্রুঘন সিনহনা প্রাইম মিনিষ্টরদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে, অদুবু ৱার্নিং অমসু তৌখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ***

করিগুম্বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মাগী 'চৌকীদার' (ৱাটচমেন) কেম্পন অদু শৌগৎনবা অদুম হোৎনদুনা লৈরবদি লৈবাক অসিবু পাউখুম ফঙদ্রিবা ৱাহংশিং নীংশিংহল্লগনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা বি জে পিগী মনূংদা লৈনা লৈনা পার্টি অসিগী ময়োক্তা য়ানীংদবা ৱা কয়া ঙাংলিবা সত্রুঘন সিনহনা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা 'সারজি' হায়না কৌরদুনা লৈবাক অসিগী ৱাটচমেনশিংদা মানা ঙাংখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদসু এটেক তৌরদুনা হায়রিবা মখোয় অদুগী অয়াম্বদি লাইরবগী পংখৈ মখাদা হীংলিবা মীওইশিংনি হায়না এক্টরদগী পোলিটিসিয়া ওল্লকখ্রবা সত্রুঘন সিনহনা হায়খি।

হেপ্পি হোল্লি টু ইয়ু, সারজি। অমুক্কা হন্না ঐহাক্না নঙোন্দা নোলূক্না, অদুবু চেৎনা নীংশিংজরি মদুদি চৌকিদারগী ষ্টিং ওপরেসন অদুদা লূপ্তুনা লৈরগনু। নহাক্না চৌকিদারগী মতাংদা হেন্না হেন্না দিফেন্সিপ ওইদুনা লৈরিমখৈ পাউখুম ফংদ্রিবা ৱাহংশিং অমসুং মীয়ান্না খঙনীংবনা খাংবা ঙমদ্রবা রাফেল দিল অদু লৈবাক অসিবু নীংশিংহল্লগনি হায়না শত্রুঘন সিনহনা ত্বিট তৌখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চৌকিদার নৎত্রগা সেক্যুরিটি গার্দ লাক্ষ ২৫গা ভিদিওগী খূৎথাংদা ৱারী–ৱাতাই শাখি অমসুং রাফেল জেট দিলগী মতাংদা মঙোন্দা চৈবদা রাহুল গান্ধীনা তোয়না শীজিন্নবা চৌকিদার চোর হৈ হায়বা অদুগীদমক সেক্যুরিটি গার্দশিং অদুদা এপোলোজি তৌখিবনি।

সার নহাক্না য়াম্না থুনা, নীংথিজনা থৌরাং তৌহৌদনা অমসুং খুদক্তা লমন খুন্নিংবনা লৈবাক অসিগী চৌকিদারশিংদা ৱা ঙাংখি। মদুদা চৌকিদারশিং অদুগী মশীং লাক্ষ ২৫নি হায়না ফোঙদোকখি। মশীং অসিগী চপ চাবা অচুম্বা অদুসু খঙদে। মরম অদুনা নহাক্কী ৱাফম অদু হৌজিক পেন্নিংঙাই ওইদবা ফিভমদা পুন্সি লেল্লিবা লৈবাকসিগী মীয়াম অমসুং চৌকিদারশিং অদুগী ৱাখলদা চংলমলোই হায়না শত্রুঘন সিনহনা হায়খি।

লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা শত্রুঘন সিনহনা মানা হান্না মীরেপ ওইখিবা বিহারগী কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী কন্টেষ্ট তৌরবা য়ারি। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি রাইবেল কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ অমা ওইনা থোক্লক্কদৌরি। শত্রুঘন সিনহনা ২০১৪গী জেনরেল ইলেক্সনদা পাতনা সাহীবতগী বি জে পিগী টিকেটতা মায় পাক্লকখি।

অদুবু পার্টি লিদরশিপনা মহাকপু ইপ্তোক্তুনা থওইবীদবদগী অমসুং রাফেল জেট দিল য়াওনা হীরম কয়ামরুমদা মহাক্না পার্টিগী ময়োক্তা ৱা ঙাংবদগী বি জে পিগী মীরেপকী লিষ্টতা মহাক্কী মিং য়াওরক্লোইদৌরি। মাগী পাতনা সাহীব কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রবী শঙ্কর প্রশাদনা বি জে পিগী মীরেপ ওইরগনি।

# বি জে পিনা বেঙ্গলগী সিট ৪২গী মনূংদা ২৭কী মীরেপ খন্দোকখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মার্চ ২১ঃ***

মথং থাগী নেসনেল ইলেক্সনগীদমক ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থাদোক্কদবা বি জে পিনা খনবা মীরেপশিংগী মনূংদা মমতা বেনর্জিগী ত্রিনামুল কোংগ্রেসতগী বি জে পিদা য়াওরকখিবা অকনবা লূচীংবা ৩সু য়াওখ্রে।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ফমখিবা বি জে পিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কমিটিগী মীফম অমদা ষ্টেট অসিগী কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৪২গী মনূংদগী ২৭কী মীরেপ ওইগদবা মমিংশিং অরোইবা ওইনা খনবা লোয়শিনখ্রে। অদুবু হোলি ফেষ্টিবেলগী মমাঙদা লাওথোকপা হায়বসি অফবা ওইরোইদবা মরমনা মীরেপশিং অদু হৌজিক লাওথোকখিরোই হায়রি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেসতগী তোক্লগা থা অসিগী অঙনবদা বি জে পি য়াওরকখিবা শৌমিত্রা খান, অনুপম হজরা অমসুং আর্জুন সিংহ পার্টি মীরেপশিং ওইরগনি হায়না বি জে পি লিখুলশিংনা হায়রি।




বিশ্ব ভারতি য়ুনিভর্সিটিগী হান্নগী প্রোফেসার অনুপম হজরানা বোলপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদগী ত্রিনামুল মীরেপ ওইনা ২০১৪দা মায়পাকখি। সৌমিত্রা খাননা বিষ্ণুপুরদগী মায় পাক্লকখি অমসুং আর্জুন সিংহনা হৌখিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা মায় পাকখি। অদুবু মহাক্না অপাম্বা বারাকপোর কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা লেপ্নবা টিকেট পীখিদে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর বাবুল সুপ্রিয়োনা অসানসোলদগী অমুক হন্না কন্টেষ্ট তৌরগনি। মহাক্না ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী জাইন্ট –কিল্লর এক্টর মুন–মুন সেনগা লম্বা থেঙনরগনি। মুন–মুন সেননা ২০১৪দা বাংকুরা কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা ৯লক হন্না লোমেকর ওইরকখ্রবা ভেটরান লেফট লিদর বসুদেবা অচারিয়াবু মায়থিবা পীরমখিবনি।

সেন্ট্রেল বি জে পি লিদরশিপনা দারজিলিংদগী লোমেকর ওইরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর এস এস অহুৱালিয়াগা ৱারী শান্নখিগদৌরি। হীল দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মীওইশিংনা মঙোন্দা পেন্দবা কয়া লৈ অমসুং মরম অদুনা ষ্টেট বি জে পি লূচীংবশিংনসু পেন্দবা লৈ হায়না পার্টি লিখুলশিংনা হায়রি।

কোংগ্রেস অমসুং লেফট ফ্রন্ট অনীগী মরক্তা এলায়েন্স অমা তৌনবা ঙমদ্রবনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মীখল অসি ত্রিনামুল, বি জে পি, লেফট ফ্রন্ট অমসুং কোংগ্রেসকগী মরক্তা ফোর–কোর্নর কন্টেষ্ট তৌনবা তারি।

ষ্টেট অসিদা লোক সভা মীখল এপ্রিল ১৭,২৪,৩০ অমসুং মে ৭ অমসুং ১২ দা তাংক্ষ ৫ থোক্না ভোত থাদনগনি।

# নবীন পাতনায়ককী এসেটস ক্রোর ৬৩.৮৭ লৈ, অদুবু খূৎতা শেল ওইনা লূপা ২৫০০ খকতমক লৈ

***বেরহামপুর, মার্চ ২১ঃ***

থংনা–থংননা ৫রক শুবা ওইনা লৈঙাক্কী শক্তি অমুক হন্না পায়নবা হোৎনরিবা ওরিষ্যা চীফ মিনিষ্টর নবীন পাতনায়কনা লূপা ক্রোর ৬৩.৮৭ হেনবগী এসেটসশিংগী মপু ওইরি অদুবু খূৎতা শেল ওইনা সুপ্নগী লূপা লিশিং ২৫ খক লৈ।

মহাক্কী কার –লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলদা হীনজিলি সিটতগী মীরেপ ওইনবগী মাগী নোমিনেসনগা লোয়ননা পাতনায়কনা থাগৎপা এফিদেবিট অমগী মতূং ইন্না মমল লূপা ৮৯০৫ ওইগদবা ১৯৮০ মোদেলগী এম্বেসেদর কার অমা লৈ হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর অসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সাত্রপুরদা মাগী মীরেপচে পীশিনখি। এফিদেবিট অদুগী মতূং ইন্না পাতনায়কনা লূপা ২৩,২৬,৫৫৪.৫২গী মোভেবল প্রোপর্টিজ অমসুং লূপা ৬৩৬৪১৫২৬১ লোমগী ওইগদবা ইম্মোভেবল ইনহেরিটেদ প্রোপরটিশিং য়াওনা লূপা ক্রোর ৬৩.৮৭ হেনবগী এসেটসকী মপূ ওইরি।

ইম্মোভেবল প্রোপর্টিশিং অদুদা মহাক্কী মচীন–মনাওশিংগা পূন্না পাতনায়কনা মপু ওইরিবশিংসু য়াওরি। ২০১৭–১৮গী মাগী ইনকম টেক্স রিটর্নদা মীষ্টর পাতনায়কনা মহাক্কী অপূনবা চহীগী ইনকম লূপা ২১,১৭,২২৩ নি হায়না উৎলি।

মাগী ইনকমগী লাকফমশিংদি বেঙ্ক ইন্টরেষ্ট অমসুং সেলরিনি হায়না এফিদেবিট অদুদা হায়রি।

বিজু জনতা দল (বি জে দি) সুপ্রিমো অসিগী ফার্ম লেন্দ অমা অমসুং বিল্ডিং ফরিদাবাদকী টিক্রি খেরাদা লৈ। লম অদুগী অপূনবা পাকচাওবা একর ২২.৭নি অমসুং হৌজিক্কী মার্কেট ভেলূদা লূপা ১০,৭৫,৫১,০৭১নি। কোর্ট অমত্তদা মাগী মমিংদা ক্রিমিনেল কেস অমতা লৈতে। বরগর দিষ্ট্রিক্টকী বিজেপুর সিটতগী মহাক্না মীখল কন্টেষ্ট তৌরি।

# চিনা কেমিকেল প্লান্ট পোকখাইবদা ৬ শিখ্রে, ৩০ শোক্লে

***বৈজিং, মার্চ ২১ঃ***

নোংপোক থংবা চিনাদা লৈবা কেমিকেল প্লান্ট অমদা ঙসি য়ান্না চাওনা পোকখাইবগী খুদোংথিবা থৌদোক অমা থোকখ্রে। পোকখাইবগী থৌদোক অদুদা হৌজিক ফাওবদা ওফিসিয়েল ওইনা মীওই ৬ শিরে অমসুং ৩০ শোক্লে হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

পোকখাইবগী থৌদোক অদু জিয়াংসু প্রোভিন্সকী য়ানচেংদা টিয়ান জিয়ায়ি কেমিকেলনা চল্লাইবা কেমিকেল ফেসিলিটি অমদা থোকখিবনি হায়না সিটি ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।



ভিদিও ফুটেজনা কেমিকেল প্লান্ট অদুগী য়ুমথক মতোনদা মৈনা য়োমশিনবগা লোয়ননা য়ান্না চাওনা পোকখাইবা অমা উৎলি। পোকখাইবগী মফম অদুদগী অথাবা মৈখু মপৈ–মপৈনা অতিয়াদা পাইখৎলকপসু অতোপ্পা ইমেজশিংনা উৎলি।

হৌজিক কেমিকেল প্লান্টদা পোকখাইখিবা মফম অদুদা ফয়ার দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং অমসুং রেস্ক্যু ৱার্করশিং থুংলখ্রে। অশোকপা অমসুং খুদোংথিবা তরাবা মীওইশিং থিবগী থবক চথখ্রে। পোকখাইবগী থৌদোক অদু করিদগী থোকখিবনো হায়বগী হৌরকফম অদু থিগৎনবা ওথোরিটিজনা থবক লৌখৎখ্রে।

অয়াম্বা মতমদা সেফটি রিগুলেসনশিং চেকশিন্না ইন্দবা চিনাদা ইন্দষ্ট্রিয়েল এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোকই।

হৌখিবা চহীগী নবেম্বর থাদা ২০২২ ৱিন্টর ওলিম্পিক্স পাংথোক্কদৌরিবা অৱাং থংবা চাইনিজ সিট অমদা লৈবা কেমিকেল ফেক্টরি অমগী চংফমদা মৈ চাক্লনবা কেমিকেলশিং পুবা ট্রক অমা পোকখাইখি। মদুদা মী ২৩ শিখি অমসুং ২২ শোকখি।

জুলাই থাদা খা নোংচুপ থংবা সিচুৱান প্রোভিন্সতা কেমিকেল প্লান্ট অমদা পোকখাইবদা মী ১৯ শিখি অমসুং ১২ শোকখি।

মফমদুগী ওথোরিটিজগী মতূং ইন্না সেফটি চেকশিং পাস তৌদবা আইননা য়াদবা মওংদা কম্পেনি অদুনা প্লান্ট অদু শাখিবনি হায়রি।

২০১৫দা অৱাং থংবা হীথাংফম সিটি টিয়ানজিনদা কন্টেন্নর ষ্টোরেজ ফেসিলিটিজ অমদা অচৌবা মওংদা কেমিকেলশিং পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬৫ শিখি।

পোকখাইবশিং অদুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ১রোম হেনবগী শেনফম মাঙহনখি অমসুং এক্সিদেন্টশিং অদুগী হৌরকফম মরমগী মতাংদা মরীকুপ্না খঙহনদে হায়বা মরমদগী অমসুং মদুনা ইনভাইরোমেন্টতা শোকহনবগীদমক পাকশন্না মীয়ামদা অশাওবা পোকহনখি।

# পাকিষ্টাননা মালেসিয়া পি এম গী খোঙচৎ মনূংদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৯০০গী ইনভেষ্টিমেন্ট দিলশিংগী মীৎয়েঙ থল্লি

***ইস্লামাবাট, মার্চ ২১ঃ***

মলেসিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর মাহাথির মোহমদনা পাকিষ্টানদা লাকপা নুমিৎ হুন্নিগী খোঙচৎ মনূংদা পাকিষ্টাননা টেলিকোমস, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৯০০ গী দিলশিং সহি তৌননবা থৌরাং তৌরি।

কমর্স এন্দ টেক্সটাইলস, ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ ইনভেষ্টমেন্টকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইরিবা অবদুল রজাক দাৱূদনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮০০–৯০০ ফাওবগী ইনভেষ্টমেন্টশিংগী মতাংদা মলেসিয়ান ইনভেষ্টরশিংগা ইরাই নুমিৎতা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেদিং অমা সহি তৌনরগনি হায়খি।



পাকিষ্টান অমসুং মলেসিয়ান কম্পেনিশিংনা টেলিকম্যুনিকেসন, টেক্নোলোজি, ওটোমোবাইলস অমসুং ফুদ সেক্টরদা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়াগী ওইগদবা জোইন্ট ভেঞ্চরশিংগী এগ্রিমেন্টশিং সহি তৌনরগনি হায়খি।

এসিয়ান রিজনদা দোকটকো গ্রুপ অমসুং প্রোটোন হোল্ডিংসগুম্বা য়াওনা মলেসিয়ান ব্যুজিনেসকী অচৌবা কম্পেনি ৩০ রোমগা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্টশিং তৌনগনি।

হৌজিক এসিয়া অসি, মরুওইনা মলেসিয়া য়াওনা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিং অসি ইকোনোমিক চাওখৎপগী ময়োল ওইরক্লি। মসিদা পাকিষ্টাননা মখোয়দগী হৈশিংবশিং অমসুং লৌশিং তমহৌনবা মরীলৈনবা পাম্মী হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানগী এদভাইজর অসিনা হায়খি।

ঐখোয়না এসোসিয়েসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ান নেসন্স (এসিয়ন)গা অশাংবা মতমগী ইকোনোমিক অমসুং ব্যুজিনেসশিংগী মরীশিং থন্নগনি অমসুং পাকিষ্টাননি ইকোনোমিদা কান্নবা পীনবা মলেসিয়ানা ঐখোয়গীদমক খুদোঙচাবা তাঞ্জা পীবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# রেস্ক্যু টিমশিংনা মোজাম্বিক সাইক্লোনদা খুদোঙথিরবশিং কন্নবা হোৎনরি



***বেইরা, মার্চ ২১ঃ***

শাথিনা অকনবা নোংলৈ নূংশিৎ অমনা খা –নোংপোক অফ্রিকাদা মীওই চা কয়া হাৎখ্রবা অমসুং পাকশন্না অমাঙ –অতা থোকহল্লমখ্রবগী তূংদা রেস্ক্যু টিমশিং মোজাম্বিককী হীথাংফম সিটি বেইরাগী অকোইবদা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ঈশিং –ঈচাওশিংগী মরক্তা খুদোঙথিবা তাদুনা লৈরবা মীওই চা কয়া কন্নবা থবক লৌখৎখ্রে।

অকনবা নোংলৈ নূংশিৎ অদুনা অহানবা মাঙ–তাকপা থোকহনবগী চপ চানা চয়োল অমরোমগী তূংদা হীংহৌবা মীওই খরনা রেস্ক্যুটিমশিং লাকপা ঙাইদুনা উ পাম্বীশিংদা কাদুনা নৎত্রগা য়ুমগী য়ুমথকশিংদা লৈনরি।

হৌজিক সিটি অসিদা নোং কন্না চুথরি মদুনা অৱাবা কনবগী থবকশিংদা খুদোংচাদবা ময়োক্লরি। মীওইশিং অদুদা তেঙবাং পীনবগীদমক হেলিকোপ্তর নৎত্রগা প্লেনদা পুসিনবা তারি।

মোজাম্বীক অমসুং জিম্বাবৱেদা শিৎলকখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু সাইক্লোন ইদাই হায়না কৌই। পূংদা কিলোমিটর ১৬০ (পূংদা মাইল ১০৫)য়াঙনা শিৎলি।

নোংলৈ–নুংশিৎ অদুনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা জিম্বাবৱে অমসুং মলাৱিদা হুমজিল্লকখি। বিল্ডিংশিং থুদেকখি অমসুং মীওই মিলিয়ন কয়া খুদোঙথিবা তাহনখি।

নোংলৈ নুংশিৎ অসিদা মোজাম্বীকতা য়ামদ্রবদা মীওই ২০০ অমসুং জিম্বাবৱেদা ৯৯ শিখ্রে অদুবু হায়রিবা শিবগী মশীং অসি মসিদগী হেনবা য়ারি মরমদি রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা হৌজিকসু অশিবা হকচাংশিং থিবা লোইদ্রি।

মোজাম্বিক প্রসিদেন্ট ফিলিপ নয়ুসিনা য়ুশকৈশদগী হৌরগা নুমিৎ হুন্নিগী লৈবাক্কী অৱাবা ফোঙদোক্লবা লাওথোকখ্রে। নোং নুংশিৎ অমসুং ঈশিং–ঈচাওদগী শিবা মশীং অসি অরোইবদা ১,০০০দগী হেলকপা য়ারি।

জিম্বাবৱে প্রসিদেন্ট ইম্মরসন মনাগগৱানা চিমানিমনি টাউনদা য়েঙশিনবা চৎপদা অকাই –অতোই থোক্লুবা য়ুমশিং অমুক হন্না শাগনি অমসুং শাবদা হেন্না কনগদবা মচাকশিং শিজিন্নগনি হায়খি।

ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামনা মীওই লাক্ষ ৫দা খুদক্কী চীঞ্জাক্কী তেঙবাং পীনবা হোৎনখ্রে। য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন, ব্রিটেন অমসুং য়ু এ ইনা মোজাম্বিক অমসুং মোলাৱি অমসুং জিম্বাবৱেদা দোল্লর মিল্লিয়ন কয়া দোনেট তৌখ্রে। য়ু এসনসু লৈবাক ৩ সিদা দোল্ল ৭০০,০০০ পীরকখ্রে।

# অফগান কোনূং কাবুলদা পোকখাইবগী থৌদোক কয়াদা মীওই ৬ শিখ্রে

***কাবুল মার্চ ২১ঃ***

অফগানিষ্টানদা পার্সিয়ান ন্যু ইয়ারগী থৌরমশিং পাংথোক্নরিঙৈদা চথরকপা এটেক অমদা লৈবাক অসিগী কোনূং কাবুলদা ঙসি পোকখাইবগী থৌদোকশিংদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং ২৩ শোকখ্রে হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোইশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

অফগানিষ্টানগী মফম কয়ামরুমদা পাক চাওনা হরাও– তয়াম্বা ফোঙদোক্লিবা চহী অসিগী স্প্রিং থা হৌরকপদা পাংথোকপা থায়নগী পার্সিয়ান ফেষ্টিবেল 'নোৱরুজ'দা এটেকশিং অদু চথরকখিবনি।

মফম কয়াদা ফেষ্টিভেল অসি পাক চাওনা পাংথোক্লবসু মসি ইস্লামিকা তাইওন্নবা অমনি হায়রদুনা হার্দলাইন ইস্লামিষ্ট খরনা মসিগী ময়োক্তা লেপ্লি।

কাবুলগী নোংচুপ থংবদা লৈবা সিয়া মুস্লিমনা মপূং ওইনা তাবা কার্ন্ট–ই সাখি স্রাইন মনাক্তা থোকখিবা পোকখাইবশিং অদুগী হৌরকফমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মান্নদবা পাউশিং লৈ।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইনা ফোঙদোকপদদি মদু মোর্টার বোমশিং কাপশিল্লকপনি হায়খি। মীয়ামগী য়ূমশিংদা নোৱরুজ কুমহৈগী মীয়াম পূনফমশিংদা রোকেট ৩ কাপশিলকখি হায়না ত্বিটরদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

পুলিসনা এটেকর অদু ফাখ্রে অমসুং হৌজিক মফম অদু নুংশাথিনিংঙাই ওইদ্রে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# সাইক্লোনগী ইমর্জেন্সি লাওথোকখ্রে

***কেনবেরা, মার্চ ২১ঃ***

নুমিৎ নীনিগী মনূংদা য়ৌরকপা য়ারিবা অকনবা নোংলৈ–নুংশিৎ অনীগীদমক অষ্ট্রেলিয়ানা ঙসি ইমরজেন্সি লাওথোকখ্রে অমসুং নোর্দরন টেরিটোরিদগী মীয়াম শাফগদবা মফমদা লৌথোক্লককখ্রে। থংজ নুমিৎতা সাইক্লোন ট্রেভরনা পূংদা কিমি ২৫০ য়াঙনা শিৎলক্কনি অমসুং সাক্লোন ভেরোনিকানা নোংমাইজিং নুমিৎতা থুংলগনি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-73**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | 2 | 1 | | 4 | | |
| 1 | | | | 5 | | 7 | 6 | |
| 9 | 8 | | | | 4 | 1 | | |
| | 4 | 1 | | 2 | | | | 8 |
| | 9 | | 6 | | | 5 | 4 | |
| 6 | | 5 | 1 | | | | | 2 |
| 8 | | | 4 | | 6 | 2 | | |
| | 5 | 6 | | | | | 1 | |
| | | 2 | | | 1 | | | 6 |

**সনা–সুদোকু –৭২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 9 | 6 | 7 | 4 | 8 | 1 | 3 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 2 | 8 | 7 | 4 | 9 |
| 8 | 4 | 7 | 3 | 9 | 1 | 5 | 2 | 6 |
| 7 | 8 | 2 | 4 | 6 | 9 | 3 | 5 | 1 |
| 9 | 3 | 5 | 8 | 1 | 7 | 4 | 6 | 2 |
| 4 | 1 | 6 | 2 | 3 | 5 | 9 | 8 | 7 |
| 3 | 7 | 8 | 1 | 4 | 2 | 6 | 9 | 5 |
| 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 3 | 2 | 7 | 4 |
| 2 | 9 | 4 | 7 | 5 | 6 | 1 | 3 | 8 |